মপুখিপা

—o—

শিন্দোকতুনা পুখোকপা

চনম হেমচন্দ্র খাবা

অকোংবা

খাংঙেম্বম ইন্দ্রমনি (সলাই [illegible]া)

লাইরিক ফংফম :—
চৌং-ভম প্রেস, উরিপোক নাওরেমথোং
অমসুং
খাংঙেম্বম ইন্দ্রমনি
উরিপোক নাওরেমথোং ইম্ফাল,

পুথোকপরবা লাইরিকশিং :—

১। হাউরোক কোন্থো লাইলেনপী

২। মৈহৌলোম সন্নাই থাইবা

শিন্নাকথিবা :— চনম হেমাঙ্গো খাম্বা

লাইরিক মশিং—১০০০ তনি

মমল লুপা—১৫

মগুথিপা

ইকাই খুম্নরবা/খুম্নরবী...

....

লঙ্খলেন .... দা

নুংঙাইবগী অফমদা খুদোন তমজরি ।

শিন্দোকপা অমসুং পুথোকপা

চনম হেমচন্দ্র খাবা

উরিপোক নাওরেমথোং ইম্ফাল ।

অফোংবা

খাংঙেম্বম ইন্দ্রমনি

(সলাই ঙম্বা)

উরিপোক নাওরেমথোং ইম্ফাল

হাসাং য়ানপা

খোইয়ুম লাইয়িংথৌ চিঙং, কুরু নোংপোক সিতপা মাগী মচিক মণ্ডাল থরবু পাবি পুন্নিশিংনা অরাবা মৈতানপু হাদৈনা থাহুনা থনমংশুরনা অহিবা ঈয়েরুক্রা য়েকহুনা থগৈরবা লাক্তম থবা ইকাইখুম্নবা ওখেল্লাম নাং লমলেন লমশাং অখামদা লৈবা চৌমিনা শিনবীরকহুনা চিঙং, মাগী মচিক মমাইবু পাক শাং খরক্তনিংশিংনা হৈদ হৈতা মীয়াম পাংদা খুংলোইদবা লমলম শকা নেমৈজন্না শিংদোকহৌরকনি।

কুপ অনী মশাগী লৈজরবা লৈতোলোনগী বারি লিখুন শিংবু কুপনা লৈনরগা চহি-চা কযাগী মনাংদগী ফুরুপতু মহৌশাগী লিচং শাচং চাংখৎলমদে, চাংখৎলম্মী হায়গী খুদম ওসগী মীয়োলনা লাইনা খঙনবা ওন্নরি। লাইরিক অসিদা লমদমসিগী চৌন লেমাং, থকশি, খাশি কাইনদনা চংনবা, শারমচং ওয়রম-চংতগী মীওইবনা থাপতোকনা লৈনবগীদমক পৌতাক পীদনা য়ুক্কম ওইবা লাইরিকশিংগী মফমদগী অমান খনজহুনা ঐথোয় মাওইবদা লওচংকা চশু থবা ওইনগন্ন থনজহুনা পুথোকচখিবনি। মসিবু শিন্দোকচখিবা মতমদা মশাগী হান্নদগী লৈজরবা বারী লিখুন্দুমক কাংদনবা কম্না হোংনজখি।

পাক চাওরবা তাইবংপাল সিদগী মরা শিনলৈলোগ্নানা কাবু লৌখংচব ওমগাদগে ঈরমদম বারি লিখুনশিংবু য়োক-খৎচনিংবনা পাইচা হৈতরিবা খোরচৈ অসিম ওেনগনা পুন্সি

চেংঙ্খেলগী **অমম্বা** মরকসিদা চৈংশু চৈংখাক ওইরম্বী [illegible] লাইব্রিকসি [illegible] পুয়াগী ইত্রেরঙ্গী বঙ্গালি মখেৎতা ইংথোক্নরকপা মঙম্বদা নমেকপা ইবাং, ইদিল, **হাইং;** [illegible], [illegible], [illegible] অর্থাৎ অপানিং হাওথবা **অমত্তং** [illegible] [illegible] [illegible] ময়িং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নমিশিং [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পানীতিংগা পাবিরীসীসিংদা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] **মতমদা হরাওনা** [illegible] [illegible] [illegible] চুমখোম [illegible] ।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লাইরিকসি ফেংদোকপীরিবা খাংডেম্বম ইজংনি [illegible] মফমদা [illegible] [illegible] তৌনজরবনি । [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] **হেংঙ্** [illegible] ১ [illegible] [illegible] [illegible] হংজকপা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মফমদা পুন্সিগী ওইনা ইকাইখুম্নবা উৎচরি ।

নোমুকচরিবা

শিন্দোকপা ১ মুং পুরোলপা

চনম হেমচন্দ্র খানা

উরিপোক **নাওরেমথোং**

ৱাহায় শৱা

ইশা ইমুংগী চংলগনবা শাজং-লিচং পুন্নমকপু তাইপাং [illegible] ওইবনা [illegible] লৌবগী, মাখল ইশাগী শিংলি নাওরিনিংদা [illegible] লিচং [illegible] পুরিনী লিচং [illegible] হেমচন্দ্র থা[illegible] [illegible] সিনদোক্লুবা লৈরকপা[illegible] [illegible] মাইরিক [illegible] [illegible] লিচং- [illegible] চবা [illegible] [illegible]।

[illegible] গী থুরুং [illegible], [illegible] থড়দনস্থু, [illegible] মহৈনা [illegible] চংনিমরবদি পুন্নমক্কা অকপা [illegible] লেপঙ্কাসু [illegible] ওইগনি। [illegible] পাশিংগী [illegible] ভোগশিলজনরবনি নাইরিকসিগী হাখল [illegible] লুংশিং [illegible] মতমগিদা হাখলগী [illegible] ওইনগদ্রা [illegible] পুথোক্লবা [illegible] মাওঙ্গকুবা [illegible] ডাকপীলবা পুলেমজরি।

ফো [illegible] থাংজম [illegible] অঙোমচা
(মনাই চম্বা) না ওরেমথোং

মপুথিপনা ৱাহমচলকপা

হৈয়া হে খোইহুম লাইঙ্গিংথৌ চিঙঙ্ক কুরু নোংপোক সিত্তাপা। সনা নখোং থা থেংমুম তকপা। সৱাং অথুপ্পা চিঙজ্ঞ অত্তামপা। কোনখে অতামপা। সোংলেন অতামপা। নোথোং ৱাচুমপা নংনা কোনাত থোংপুরোই। থোংলেন পালপৈখু। পাইৱোইনা তাইপং থৱাই চুমওইনালিপা নামু পোংওইনপাসিংনা থৱাই নিংসা হোনরিপা: অচৎ অলেপ, অকং অখুয়ে। মালেম লৈথালেনকী। লাইচা য়ীনুং লৈচিন সেক্কানুকিপু। তাইপং থৱাই অসি পম্মাপু নোংতমলিপকী তাইপংকী মী নোংথৌ ৱাঙপল মী কসাপু ওইনলিপা য়ীপুঙঙো-ওঃ। পুঙনিং ওমখে খঙতাপা। অমম অঙাল মীৎপাঙকপা। অপোক অসি নোংতমলিপা নুংমু সিদবা খুনেতনা। নুঙৌ নঙোপা খুতানপা লাইয়িংথৌ। হায়ি খুনুং লাংপা চাকঙৈতা খুনুং মী কৌনা। ওইনা নুংপুথেন ওঃ কৌএ। থেননুঙগী পুকনুংকী মীলেন সেকমা লম-ঙক-পীনা মালেম লৈমায় থলনা। লৈহৌ নোংহৌফপা ফিসেৎ চাকচা। খুৎসু খুলাই চংখোলনা। থেননুঙ পিপুকনুংকি।

কোরৌ খোংতুম-খোং ম্বাংগল লাওতুম-লাওনা খোইখোম সনামম্নাথংকা লোইন্না চোংথোক, অতু মোংকীগু খোয়য়ুম নোংপোক সিত্তাপা, চীঙও নাতাপা মপাল্ল থাপা লাইমিংথৌ খোয়য়ুম লাইপোক অরুপা। চিংঙও লাইপাখং অতেংপা ফম-ফমনপা ত ব্রাং ফাওলৌ লায়মাগ্নে মপা। লৈচিন খোংকাওনপা। থমকোল খুনেৎনপা। মালেম চিথেক ৫ মা ম্বাইক ৮ মা সংতোই ১৬ মা সিঙ ৬১ মাপু। নোংমাতা ৭ লক হৃননা কোইপাপু অবা হুইলাং পৌতাপা লাইমিংথৌ ও। নমূপোং ওইপাসিংকী লাইপক সরু খেনইনা। থ ব্রাং নিংসোললিপা। নাপী সিঙপী। তিন কাও ব্রাহি খুন ককচেং থলাও। ককলেং খোয়া। ঈ-ব্রা ফীসেৎ চাকচা চালি থকলিপা থৈপীকপু। সাচিক্ক নোংতমপা নঙপু খোয়য়ুম সনা নখোঙ থাতা। মানপী খুতপনা মুক লৈতোন কোল-কোলনা। পুন্নুমচালককে।

খোয়য়ুম নোংপোক সিতপা মঙনা তাইপঙ মীৎইপম লায়পক সাল্লু কোপামথোংতা। অফা-ফত্তা খাইনা। সন লাইপকখেনলায়িনা। নোংতমইপা। তাইপঙ থব্রা ময়োন চোংহনপীলিপা খোয়য়ুম চৎলম নুংঙাইপা। চিঙং লাইকী লোন অন্নুপাপু। ব্রাহমচলকে। নামু মীওইপাশিংও উনপী পুকনিং পীনা নাতাও। খোইয়ুম লাইকী ব্রা অনুপাপু উনপী পুকনিঙপীনা তাচলপতি। মাপোক লাংও

খুত্তিংতাসু ঃ মাহে চুমনা য়ানা পোকলেয়ে । খোয়য়ুম লাইকীবা কৌপাপু । মরুলোপ লাইলোন কৌপাপু ১ থোইনা লৈত্তে । নামুমী লোনসংপা চেংলো মীৎনা উলিপা নমুং অমৌপা । চেংলো মীৎনাবী অফা-ফত্তা খুঙনা । থকসি থ্রাসি সিননা । পানলিপা থৈপীকপু । চিঙভ্রু লাইলোন খুঙলিপা কৌপানে । ব্রালম অওবপা নাপা সেংতানালপা । টনপী পুকনিঙ পিতাপাসিংতি । নামুপোং ওইলাপসুং হিংচাবা সাকৈ এমাংপাত্তা পোকলেএ । হাইতপলা ।

লহানলোং খুনুং লাংপা চকথৈতকী । চিঙভ্রু সিতপা খোয়য়ুম নামুংপনা মালেম লৈসেমঙৈ । কোলো নোংহৌ লকঙৈতা ঙাকী নিংথৌ সরেং য়াংমানা চিঙভ্রু কুরু নোংপোক সিতপগী সনা মখোঙথাত্তা খুফাং চাংচৌ চেপনা লোনা । মালেম ফুপাক লৈতুতনা ব্রাহমচখিএ ।

হে খোয়য়ুম নামুংপা-ওঃ তাইপঙ নামু পান অসিপু হোলেন নাকনি পঙতা হয়েং সিকনে তানা । পোকলপা পুঙনে । ইপা ইমা খুঙ্নত্তা । ইতু ইনাই খুঙ্তনা সাকৈ ইলুপ-ইঙৈ ইসেন । খুঙ্না চানবা নুংসি নুংঙন থাইনপা অসিপু করিকিনো । নতাইলেম এঙানত্তা কুরুনা চানপী-তনা তাচনিঙএ । হাইনা ব্রাহমচালপত্তা ।

চিঙ্ভ্রু নামুংপনা মচিন ঃ মামোন মোমোন নোকনা ব্রাহমখিএ ।

তায়ম ভাকী নিংথৌ য়াংমা: চিনকোই পাও অসিপু। পওনা হায়তোকলোইএ খোয়য়ুম য়ালম অচিপা নমুম্ভাওইপা পুম্নাম্নমা পওনা ফংওমতাপা য়ানে। কুরু চাই ওইনাপা-সিংতা চহি কুমসিং কুইনা লোইনা থৌখন হাওতনা। উনপী পুকনিংপিনা থৌখল-লাসুও পওনা ফংওমতাপা য়াপু। য়াহমলকএঃ তাইপও নোংসাপন অসিপু। হাফ ফত্তপা অচও অসি, অকোন, নাইতা। সিতা-নাতা পানলপতি। নুংভাইপা পুওপু থোকললোইএ॥ হায়-পকিপু। অচও অসি নোংমত নোংখাইপনে হায়না পাওতমখিতা।

ভাকী নিংথৌনা ঃ— হে থোক্ষুম লাইনিংথৌও: কোলৌ নোংথৌ লৈপাক কৌশতি য়ারম কদম পানো। হায়না পাওহংখিএ।

চিওঙ্ঃ নামুপংনা পাওতাকখিএ: কোরৌ নোংথৌ লৈপাক কৌপতি অতিয়া ওমখৈ ১ লৈছে। নমু পোংগাচা পুমনমকী। তাংচা কোকতা খোংনা নিংথৌ লৈপাক মপা খুহনিংথৌ লেখলেন ২ মানা ছৌনা চহফম চাহলপাসিংনা ফাতি সেহলপা। মাংকী য়ালম খুওলপা। তুংকী হুলনা ম্লেংনা চহলপা। নামু লাংওন চওখোনলপা অতৃসিংপু। কোরৌ নোংথৌ লৈপাক কৌএ। হায়না পাওতাকখিয়ে।

চিওঙ্ঃ নামুংপাও লৈথাতাপা কৌপতি খমনুং য়ারকপা হায়পতি। য়ারম করমপনো? হায়না পাওহংচলপতা।

হোইতা ভাকী নিংথৌ মচিবা ওঃ মালেম লৈখা তানা খমনুং ব্রারকপা ১ লৈতে। মিংফম কাং তোংলপা। ফিলথি হুললানলপা পুকওন পাওনলপা। অতুসিংনা লাইথুং কত্তপা নমুমী মাঙোন অতোলপা ওইনা মপোক্ লাংওন শুতাপাপু লৈখা তাপা কৌএ। পাওতাকখিয়ে।

হেঃ খোয়য়ুম সিতপাওঃ য়াওলেন নমলিপোল। সমু মথুং তেকপসিংকিতি। ব্রারম কলমপনো। খংনিএ। হায়না ব্রাকংচলপাতা।

হোইতা ভাকী নিংথৌ মচিবাওঃ নামু থব্রাই পুমনা-মাতচী। থব্রাই ১ তানে থব্রাই পাওনা হৌহেতে। ব্রারম অচুম অয়োন থওতনা। পলথৈ চিতাই নাইতানা। পুকরা চুমনাওেনে। লওচা অয়োনপাপু লৈতানা। খুনিং খুতুম চৈথাপা। নমু মীলেল খোমলপাপু খোয়য়ুম ঐনা ম্মাচতে। চিঙুং লাইনা হায়রাওঃতে। য়াওলেন নমলিপোলনা পোকয়ে। করিলওচাপাপু লৈতনা থৌরি ভককোইথুনা পঙুপপুসু মী অতুকুমপাসিংতুনা সামু মথাং তেকনা পোকলেএ। হায়না পাউতাকখিএ।

চিঙুং চিতপাওঃ সামু মখোঙতেকপাশিংকীতি মতৌ ব্রারম কলমপনো। হায়না পাউহংখিয়ে।

হোয়তা ভাকী নিংথৌওঃ মীপু করি লওচা লৈতনা সামু ফৈপাক চননা য়ৈলমপা অতুশিংনা। সামু মখোঙ

তেকপা। মমিং পাংসোইলিকনা পোকলৈএ। হা
পাওতাকখিয়ে।

ঙাকী নিং:খী ১ লকসু পাওহংচখিয়ে। হে খো
সিতাপা ওঃ সামু নাকোং পঙ চেংলো মমিং তাঙনা পে
লপাতি। মক্তৌ কলমপনো হায়না পাওহংচখিয়ে।

হে'য়তা ঙাকী নিংথৌওঃ উত্তা খঙতাপাপু উল
সানা পুকওন পাওপা কুম্মে। নুংঙাইপাসিংপু। মী
হায়না ম্লেংলতপা খোইমুম-লাইকি রা-অরুপা হারম-
খৈপিকপু নাপা সেনত্তানাপা। রাগম সলিপা।
য়াখং নহৎতাপাপু। উনপী পুকতা নিঙ্পা। অতুসিংনা
মমিংত্তাঙ। মানা পঙনা পোকলৈয়ে। হায়না
তাকখিয়ে।
ঙাকী নিংথৌ মত্তাইলেমনা ১ লকসুং পাউহংচ
চেঙলৌ মসকথি। চিনপান মখা পৈ সামু মখোঙ
ত্তেকনা চিংশিন্না পোকপাসুঙ থৌলম কলমপননো।
রাহমচখিয়ে।

হোয়তা ত্তয়ম ওঃ সেলোইমপাত্তাউপু। থৌলম
হৈপা। হায়হৈ ত্তৌহৎতপপু লৌশিং অচুমসানা।
লৈতোন অনি লোঙনা অহন কুরু লাইওইনপা
মমাঙতা ফমফম চকচা হৈতলপাসিং। খুয়া উফ্ন
ফমফমলাপা তাঙ্চা লৈত্তোন হালাপা। লমচৎ

অঙতালাপাশিং অতুসিংনা। তাঙচা-মলৈজোমনা চিনপাল মথা পৈনা। সামু মথোঙ মখুৎ হোমনা পোকলৈয়ে। হায়না পাউখুমখিয়ে ।

হে খোয়য়ুম চিঙঙ্ নামুংপা ওঃ নামু মীলকতা তিলনা চলৈ-অসেৎ ৱাৎনা য়াংচৌ লমতাং চৎপসিং অসিসু থৌ-কলমপনো। হায়না পাওহংচখিয়ে।

খোয়য়ুম সিতাপানা ১ লক পাউতাকখিয়ে। হোয়তা ইনাই নুংচানপা ওঃ মীলমচা অয়োন লৈতানা চলৈ-মফি মুনপাতে। মীনা হায়পা ৱাপুতি ৱলম তাপীতানা। পুকনিং থৌকন চাওপা। মানা হায়পা ৱাপুতি নাতা ওঃ হায়না লমচৎ মহৌশাপু ওইনাপা অতুসিংনা উনপী পুকনিঙ পঙনা চলৈ ফিথুংতনা। য়াংলৌ লমপিচৎনা মাওলৌ মুঙমালকুমনা। তাওনলিপাতুকুমমা পোকলৈয়ে।

তাকি নিংথৌ মচিপনা ১লকসু ৱাহমচখিয়ে। চিঙঙ্ কোরৌ ইনোংথৌ ওঃ কুরু সিতপা ওঃ তিমল মাইমন চাওনা। অপাৎ অনোম অপোম অতং হোপি হালা লাইথুংনা পোকলপতি। মতৌ কলমপনো। পাওহংচখিএ।

হোয়তা তয়ুম ওঃ অহন মথক্রী চাতলিঙৈতা। উতা খঙতমা চাসিনলপা। মীপু কলি লঙচা লৈতনা য়েলম চৈলমপা অতুশিংনা অপাৎ অনোম তিনমল লাইচাওনা পোক লৈয়ে। হোপী হালাথুংনা পোকলৈয়ে। হায়ন পাওতাকখিয়ে।

অমলক ভাকী নিংথৌ মচিপনা মাহেক্ম ফুপাক লৈভাতুনা পাওহংলকয়ে। হে : কুরু সিতপা ও : খৌলম ভম্বোকপা অমতী। লাইলেন হিংকুম লাই লাইথু্ং ঈশং লাই। সামু মখোঙ মখুৎ লোমনা পোকপা। পেরে চাপুম লাই। থু্ংপাসু মালোন কলমপনো হায়না পাওহংচিল্লে।

হোয়তা ভাকী নিংথৌ তম্ম ও : মীকী সলুক তম-চাপপু লৌহে চাহেপা। সাকৈ ম্লেনক্লেন ভা হেনপাপু চাসিন থকচিলপা। নামুং অমৌ খঙতপা পুক ব্রাক চেৎচে-পা মতুসিংনা লাইথু্ং মজম অভু থুংনা পোকনা লৈপনিতা হায়না পাওথুময়ে।

মতাইলেমনা অমলকবু পাওহংচখিয়ে। হে কুরু সিতপা : খৌলম অমতি। সাকৈ লাইথুং নুঙায়েক লমহুন থুংপা সিংলি হকচাং লৈজপা। নুপী চকচা খঙজনা পোকল-পতি ফৎতা মহে কল্লমপনো হায়না ব্রাহমচখিয়ে।

হোয়তা তম্মুমও : সাকী পুককৈ খঙতনা। মম্না মনতোল নাইতা মচল মচা পোকপা নামুং অমৌ খঙতপা চিনলেন নিঙথিতপা। য়্যাথং ব্রাহে সোকপা। অতুসিংনা য়্যালৌ সা সুঙ লাংকুম্না লাইথূং ফৎতা য়াম্না পোকলৈয়ে। হায়না পাওতাকলপতা।

ভাকী নিংথৌনা অমলকসু পাওতোইল এ : চিঙভু নামুৎপাও : মলান অতোন তানা লমচোন ফমনা তলা চাক-নিপা। খুললক য়্মমথোং চঙনা কোঙয়াঙ চৈসু পালোইননা

চরৈ ফিথুংতনা তলা চাকনিপা অতুসিংকিতি রালম কলম লৈপনো হায়না পাওহংচখিএ ।

হোয়তা ওাকী নিংথৌ লৌশিংপাওঃ তলা চাকনিলপাপু য়াথং অথা থোকনা চৈহৈতে। চাসিক্ য়াইলেকপা ওা পাই থুমপাইপা। চেওমা ফৌমানপু হুননা পীহৈতে। লমলোং থুলক চৎনা তলা চানিপাপু ওইনা লাইরা অতোন তানা পোকলৈয়ে। অসুম পাওতোকখিএ ।

মতায়লেমনা ঐপু লোইপা ইপুংঙো ওঃ রাকম ওস্তোকপা অমতি। মরা মাখুঙৈকী হৌনা তালোয় নাইতা। পা। মপালি সাংনাতাপা মমোম ফুয়না ়পাতি রালম কলমপনানো। পাওহংচখিয়ে ।

হোয়তা তয়ুম ওঃ মীকী তালোয় মতু হুপা। থংলেন মরালৈপীসিংগা মাকলৌ ফিয়ালা। থাংথা মীহুন হানলাপকা অমৌ হিতাক থানা। অঙাং থরাই মাংহনলপা। অতুসিংনা পাহা নুংচেং ওইনা তালোয় মতু নাইতন্না মপালী সাংনতা মমোম ফুইমতনা। ফংত মহে ফংনা পোকলপনি। হায়না পাওতাকখিয়ে ।

মতাইলেমনা ৯ লকসু রাহমচখিএ চীওঙ্ নামুংপাও থাঙলেন য়াসাপা । মচিন মাচা সাপাতা নোঙমনগতি। থৌলম কলমপনো হায়না রাহমচখিয়ে ।

হোয়তা তয়ুমওঃ লঙচা অয়োন লৈতনা হিংেম য়াইসেন্দপা

হিকাপ য়াইকাপপা । হিত্তম য়াই তমলপনা নোংমং
হল্লপনা। অতুসিংনা। থাঙলেন য়াসাপা মচিন মম্না তুমপ ত
নোংমনপনে হায়না য়াম্নখুমখিয়ে।

মতাইলেমনা ৯লকসু পাউহংচাখিয়ে। মতৌ য়ালং
অমত্তি পামপা চিনকোই চিনবা অল্লাং খাকপা মতেনচাতা
থৌলম কলমপনো। পাউহংচখিয়ে।

হোল্লতা তাকী নিংথো মচিবা ৬ঃ লঙচা অয়োন লৈতন
পুকনিং অচুমসানা। নমু মীকী হকচাং চিকনা য়ালং
অচুমসনাপতি। পামপাকৈচাক ওইনা নোংমমলপনে। লঙচ
অরোম লৈপনা মালেম লৈপাকচিকপতি; মতুসিংসু কৌলৌ
চঙরাঙযে। অল্লাং খাকপা মতেনচাতা নোংমনল পানে
খোয়ম্নুম লাইনসু য়াচতে হায়না পাওঙাকখিয়ে।

মতায়লেমনা ৯লকসু য়াহ্নমচখিয়ে। হে খোয়ম্নুম সিতপা
ওঃ লাইচা ঈতানোংমনপা খামপী মৈতা নোংমনপতি।
পান্নেল উতা সিপতি। মলম কলমপনো। হায়না পাওহংচখি

হোল্লতা তম্নুমও : খাম্নী মৈতেং অলাপা। ম্নোঈময়াই
তাউতনপপু য়াথং অথাথোকনা চৈলমপা।অতুসিংনা খামপী
মৈতা নোংমনপনে। লাইচা ঈলেন পুঙতা ফংতা হৌতি
তৌসিনপাসিংনা ঈমু থৌম্নেক্ননা নোংমনপনে। কলিচমা
লৈতনা উলেন উচাও অথোইপা য়েনিং নানৌ তাথিপা

অতুসিংনা পামেল উত্তা নোংমনপনে। হায়না পাওতাকখিয়ে।

মতাইলেমনা ১ লকসু ব্রাহংচলকয়ে। হে চিঙঙ্, সিত্তাপা ওঃ খোয়মা নলোননুংকী তাওচা লিলা হুত্তা নোংমনপতি মতৌ কলি ব্রাকীনো পাওহংচখিয়ে।

হোয়তা তয়ুম লৌশিংপাওঃ নমু পোং ওইনপাশিংবু লংচা অয়োম লৈতনা হু-লোনা নমু থব্রাই মাওহলপা অতুসিংনা। তাওচা লিলতা নোংমনপনে। পাউত্তাকখিয়ে।

হে খোয়য়ুম সিতপাও ঃ হুয়েন লামতা নোমনপতি। মতৌ কলমপনো। হায়না ব্রাহুমচখিয়ে।

চিঙঙ্ নামুংপনা পাউখুমখিয়ে। হোয়তা তয়ুমও ঃ চিঙঙ্ কাইতাংফম খোমফম পিলেন খঙতপা। অতুসিংনা হুয়েন লানফমতা মোংমনপনে। পাওত্তাকখিয়ে।

ঙাকী নিংথৌনা ১লকসু মানগী খুত্তাপননা পাওহংখিয়ে। মোমনু নুচা ওইনা পোকলপনা থংলেন মব্রা লৈতনা নোংমনপতি। থৌলম কলমপনো হায়না পাওহংখিয়ে। হোয়তা ঙাকী নিংথৌও ঃ থংলেন মব্রালৈপীসিংনা। মীকী নিপা তোঙানপা। মোনুনাকতা থালপি অতুসিংনা। লাংঙন মপোক অহুমলক্তাসুং থংলেন মব্রা নাইতনা।। তয়ুম মীনাই ওইনা। চাৱ অসেৎ ব্রাংনা পোকলৈয়ে। পাউত্তাকখিয়ে।

মতায়মেমনা ১লক ব্রাহমচথিয়ে। চিঙঙ্ সিতাপাও: লমচৎ মলম থওতনা। মথক মথা নাইতনা নমচা নম–থেকনপা। পুকওন পাওনপা। অহল য়াথং মিলাইপা। কোলোয় অয়াথংতাকী মীপু পুংচাহনলপা য়াথং খোইনা হায়লাপা লিংচেন চুমতাবা লাইচ ঈলৈ চনকুমনা পুকনিং অলোং নাইপাসিংকী মতৌ কলম লৈপনো পাওহংচখিয়ে।

হোয়তা ভাকী নিংথৌ লৌশিংপাও:। অত্সিংতি নুপা নুপী নাইতে থৌলম অমৎতনে নমু পোং ওইপাশিংতো খোয়য়ুম লাইনা চানপীতে অরাং লপা য়ামনা নুভাই ভমখে লৈতনা মীথা থানা লেনকতনে হায়না পাওতাকথিয়ে।

মতায়মেমনা অমলক ব্রাহমচথিয়ে। চিঙঙ্ খোইয়ুম লাইয়িংথৌও : মলান অতোন তানা। লমলক অতোমপতা থীসি মীওইথিনা নোংহামপসিংতি মলম কলমপনো ব্রাহম-লপতা।

চিঙঙ্ সিতপনা ব্রাহমলকয়ে। হোয়তা ভাকী নিংথৌ তয়ুম ও: মীকী মলন হুপা তেকপি ওকহুপা কাইলৈ য়েনহুপা থীপোং মীলৌপতা থরাই পামুকনা খোইচংপা অতুশিংনা য়াউলৌ শাপু ওইনা পোকমা নোংমনপনে। থীকী মলান সেৎনা ভাওচা মলৈ ২ লোওনা থীলক মীথোন কাহুপা সায়েন য়ুয়েনপা আয়েন তায়েন ভায়েনপাপু কোৎলৌ কলা-থপা অহন সলুক অয়ামপপু লৌনিং চানিওপা। লমচৎ মলম

চঙতপা লেতসিংনা শৈচা লৈথোনপনা লায়লেন সচিক থুংনা নোংমনলপমে । হায়না পাওতালপতা মতায়লেমনা চলক পুমচখিয়ে। ব্রাহম থাওতি নাইনা তাকপিয়ো হায়না পুমচলকলপতো ।

হোয়তা তমুমঙ : সাকি য়েকনা হৈতপাপু য়েকনলতি সাকি মলক তিনতবা অতোন অতা ওটনা মাকী কনা লৈতনা পোকলেয়ে ! হায়না পাউতাকখিয়ে ।

৯লসু ঙাকী নিংথৌ মচিপনা মালেম ফুপা ক লৈতাতুনা ব্রাহমচখিয়ে। হে খোয়মুম সিত্তপাও ঃ মপোক লাংওন ফপা। মীওট লাংওন ফানা পোকলপা অতুসিংকিতি। মলম মাওবা পুংচাওলোইসা অভুশিংকিতি মতৌ বলমপনো হায়না ব্রাহমলপতা ।

চিঙঙ সিতপনা পাউখুমখিয়ে । ঙাকী নিংথৌ ও : থৌলম ওনথোকপা অমসুং পাওমলকে উনপী পুকনিংপিনা নত্তাচৌ ও থব্রাই পামুতনা ঙনপী পুকানং কেপলপা হুয়েল লানফম অলপত্তা । থোটমা মমায় লৈতলপা অতুশিংনা নোংমললপাত । লৈমমেনবী সিতপীনসু ফৈলাতালত্তাথোংমা ওকপীঙমায়ে । কোলৌ নোংথাং-কোল নুংনাংকৌখও কোঅত্তা । সাচিক মাতুংয়ীন । থ্রাপা মাইব্রাইনা । নামু শিংলেন সিত্তপপু । ভইনা নুঙাঈ মালাংকাইনা। পোক- লৈয়ে । অমসুং মমুম মাকৈ অথোপাপুশিংনা । থৌজম

অওকপাতা । খোইমা মাইওন সিনপা । লাইলা অতোন তাপাপু য়োকপীহৈপা । য়েকনা-কংক হৌত্তলাপা । থকসি খাসি-খওপা । অহন তাওচা কোকক্তা খোংনা । য়াথং শোয়ইলেন-খিকুপ থুমথোইলপা মতিক ললোন চাওপতি। লাংওন মপোক (৩) লকতসুং নিংথৌ লৈপাকমা ওইনা। পোক্লপপু তানফংলৈয়ে । হায়না ব্রাহ্মখিয়ে ।

ব্রালম মতৌ অমসুং নিংথৌ লৈপাক মপুনা খোয়মোম লাইপু নিওলপা । উনপী পুকনিং লেপলপা । য়াথং কোলোই মেংলপা লাইচ ঈমেন পুঙকুম চিক খোইলপা অতুনা ফমপান চহি কুইনা চাইয়ে । হায়না ব্র হমলপত্তা ।

ব্রারম ওস্তোকপা অমতি নিংথৌ লৈপাক মপুনা লওচা অয়োন খওতনা পাওহং মত্তোল লোমতনা থব্রাই পওনা মাওহনলপত্তি লৈপাক ময়েংতাম্লে । নিংথৌ ফমপান চহি কৌনা ব্রাইওংয়ে ।

ব্রালম মতৌ অমতি । ময়ুম মকৈ মতু মনাই খাকতনা লাইলা অতোলতাপতা । লনকুচরাপকা । মহাক মতোম মতা হৌতোকচলাপা শিনফম খৈপিকতসুং হৈথোইলপা। পুকনিং ব্রাথি নাইতলপা। অতুসিংনা লালোই ফমনাইপা নিংথৌ ওমথংননা । লাললোই ফমনাইপা ওইমা পোকপপু তানফংলৈয়ে ।

মপোক লাংওন অমাততি। লাইলিক ময়েক হৈপনা উনপী পুকনিং তপললপা। লৌশিং তাং খঙনাইতলপা। য়াম্বং পুক্নিং থ্ংলপা লিংচেল ফৎখন্না লাপনা হুন্দোক-ঙমললপা। উনপী পুকনিং চুমথোইলপা। থকসি খাসি। খংতলপাগ্নু খঙহললপা হয়েং সিকনি খঙতা হোৌলেন নাকনে খঙতা নাপন ময়াই কাপা নমচা নমথেক্লনা। ঐনে মম্লাই কাপা। লমচৎ নলেম খঙতপাপিংপু ইপা ইমানে

লাইগুরুনে হায়না শংহন্নপতি। মতিক ভমখ লৈতে। নিংগৌ লৈপাকনপুকী য়োল্পী লুইনেল ওইনা গুরু ওইনা অথোইপা মপোক ওইনা পোকলেয়ে।

থোৌরম অপ্হি য়াংলৌ লমপী মাক্তা লাইচা ঈয়েক ফুপ্. তৌনা খিন্না নাম্নু মীওইপা খৈপিকপু লাইচা ঈথক-হল্লপাত। য়াহ্নফ মাহে গওনা নম্নু মীওইপা পুন্নমকী খব্রাই ওইরিপা খেপীকপু থোৌচল হৈপা মী অথোইপা অরি অসক-পাপু ওইনা পোকলেয়ে।

ঙাকী নিংথৌ অচাললপা ও: থৌলম অমতি খোইমোম লাইকী খোথা পুকনিং ময়োল চোং। কনচাও মৈলা-হৌলপা। লমলোই মরূপ অফপা। তাক্রগী তমপীপাসিংবু পীচা পীথক হৈপা অহল লাই ওইনপাসিংপু হৌন-থৌকন হৈপনা পুকনিং য়াক্ষম চেৎপনা খোইমোম লাইপু নিংপা কৌপনে। ব্রারম অসিপু থোইপা অমা লৈতে। লালকী

মপু ওইনা য়ুমকী মপা ওইনা নিংথৌ লৈপাক মপুৰী মথৎ ওইনা পোকলৈয়ে।

ব্রালম মতৌ অমতি। পাথৌ নমালমাপাপু সামু হকচাংকুম মানিঙলাপা। মথাথাপাব মামা পোকপা মচাকুম নিংলপা নুপি নমু মীওইপসিংপু পলেম ইমানে হায়না নিংলপা। হলপা মালেংচললাপাপু পলথৌ য়ীপানে হায়নানীঙলাপা। হলনুমলেং চললাপাপু। পলেম ইমানে হায়না নিঙলপা নমু থব্রাই খঙলপা অয়ে ঙাপুলপাপু লৌনীং কারামলাপা লৌথোকনীংপা য়াথং অঙা অসিন খৈপীকপু। মাওহললাপা। মাচীন য়াথং অথুম পপু আঙওইনাপা। অতুসিংপু মীওই লাংওন চংখোলপা মপোক লাংওনফপা। অতুসিংকিতি মাতক ঙমখৈ হায়ঙম লোঈয়ে। চিঙঙু লাইকী মরুপ ওইনা। খোইমোম লাইকা লিতিনরে। সামু হকচাংপু নমুমীনে উফরোইয়ে। মপোক মীওঈ খুতিঙতা পাংকন মহৈচাও। নামুমীকোঈতোংনা মতিক ঙমখৈ অসিনে হায়ঙমলোঈয়ে। চিঙঙু লাঈব্রা হৈপা খোঈমোম মাতী খঙনা পোকলৈয়ে। হায়না পাউতাকখিয়ে। হায়দবরা।

মতায়লেম ঙাকী নিংথৌ লৌশিংপনা খুৎফাং চাংচৌ চেপনা লোননা ব্রাকৎচখিয়ে। মতাঈলেম এপু থৌলম নুংঙাঈপা। ব্রালম থঙফৎতানা খোঈয়ুম চিনকোঈ নমাথংপু

মতাচনিংয়ে। হায়না রাহমলপতা চিঙঙ্ নাম্মুংপনা মচিন মোমান নোকনা পাওমলকয়ে। লৌশিংপা ওঃ। রারম নুঙাইপা থৌরম ওনথোকপা অমপু হুইলককে। নিংথৌ লৈপাক মাপুগু। নামুপোংনে হায়না নিংকুনা তাইপং সলালেন নমুপোংহালনে। হায়না নিঙও। মাতিক ললয়োন চাউপকী। চিঙঙ্ লাইনা পোকপনে। নমু মীওইপাখিংনা পঙনা পোকওমলোইয়ে। থোইমো লাইনসুঙ পোইঙম-লোইয়ে। থোইমোম লাইকী মহে ওই থম্লাই পামলিপা খৈপীককী মকোক ওইনা পানেপনে।

পনথৌ পোকমতি। চিঙঙ্ সিতপকা পানতমঙেনে কোরৌ লাই মহাকনে। পনলেম পোকপীসুঙ থোইমোম লৈমরেল শিতপীকা পানতমনঙেনে। পনথৌ করু মথংকী থোইমুম কোমলোই মিংলেন তাকপিপা। মপোক লাংওন খুতিংতা লাননাপপু তাকপিপা কুরুলাইনে।

কুরুমথং অমতি অনচি লায়ুম থাপীপা লাইলি ময়েক লৌশিং মরম খঙতপাপু তাকপিপা কুরু লাইমথংনে।

পনথৌ পোকমাপপু লঙচলপত্তি মতিক ওমখে হায়ঙম-লোইয়ে। চিঙঙ্ লাইনা য়াচতে। লেনফু মলা কংপনে। মপোক লাংওন খুত্তিঙপু নিংথৌ পিকনা খাইনেয়ে। লঙচা অয়োনপপু পঙনা কোকনপা লৈতেয়ে। নামু পনতোন লোমলপনে। খাওলৌ শাপু ওইনা পোকলপনে।

কুন্নু ওচা-(২) মতা লঙচা অয়োনপপু কোকনপপু লুপানে

কুল ওচা মহাকুমপা অমনা কোকনপান হে ঙাকী নিংথৌ মচিপা ওঃ।

কুলু ওচা অনিমকী মতু সোবনাহৌত পাদম ইমা পোকমাপীনে। মপোক লাংওন অহুমঃ কপু তাইবং নোংশা পানতা ফাওতনপু অমমপতা নমু মীওইতনা মাঙাখত্রপানে নামু মীতু হুলুলপতি লাংচা হুইগু ওইনা ওতামপক্তা পোকখিয়ে।

তক্লা চাকথোংলিউতা। ব্রাইশেং সুমচিত্ত সিৎপা। অহল কুলুমমাঙতো সামুতুংপুঃ ননা। ফমফমলপতি সামু মাথোঙ সোইনা। নামু মীমালক ওইনা পোকলেয়ে।

মীপু পোৎলুম নংচহললাপা। তালোই মতুয়েপা। খুৎকাই সাকাইপা। লংচা অয়োন হৈতেনা হৈরুমপা অতুশিংনা। মপোক লাংওন ১তা। সামু খুৎনিক উলসা লাইথুংনা। অব্রা য়িংসোলাংনা নমু মীসিং থাক্তনা পোকলেয়ে।

মীকী মলন হুপাক্তি। মপোক লাংওন খুতিংতা পুনসি চেংচেন কৌনা। মরোন-অতোনতা। পোকলপনে।

হে ঙাকী নিংথৌ মচিপাও ঃ ব্রারম অঙকপা অমতি। উনপি পুকনিংপিনা নাতাচৌও ঃ। নুপী লিংচেন ফপি। সামু মহকচাংপু লাইচা য়িলিক লাইকুম সেংথোইপি থংলেন মব্রা লাইওইনপপু। চিঙঙু লাইনে হায়না নিঙচলপি পুকনিং লোইথোয় নাইতমপি লাইচা শ্লীপোম হৌতালাপী।

নুপী মমালনাপপু সামু মহাকচাংনে হায়না মনীঙলপী। খলপল চয়লপ খাইতলপী। য়াথং চিঙশাং খোইলেল-হিকুম থুমখোইলপী। নিপা তুঙানপপু। মিৎ হায়না য়েংচলপী। সাকৈ মপা মতোন ওইনা মনিঙপী। উনপী পুকনিং লেপপী। মথংলেনপু কোরৌ নোংচা খুতিংতা খৌখন ফমপী চেৎনা খনচপী কনলক য়েক্ক লৈতপী নুপী মীওই চঙখোনপী অতুসিংকিত্তি। মপোক মীওই খুতিঙতা চেঙলৌ সককোই হেননা। নিংথৌ লৈপাক মপুকী সামু ওইলমথানা। লৈমা ফমপান ফমপী। নমুপোংপচা পুমমকী পলেম মমা ওইনা পোকলৈয়ে। নুপী লিংচেল চুমপী; উনপী পুক্নিং লেপপীসিংপু। খোইমোম লাইলেমান হায়না নিংচৌ ও:। খোইমোম লাই ওইনপী নুংশিপিপু ৱালম নত্তপা হায়হৈতে লৈপাক ময়েং তায়ে। মাইথি অৱা নঙয়ে। লৈপাক খোইমোম লাইওইপী লৈতলপতি লৈপাক মরা চেংতে। খোইমোম লাইওইপীনা লৈপাক মরা ওইয়ে। লৈপাক খোইমোম লাইওঈপী পঙনা লৈপীতে। উনপী পুক্নিং লেপপীপু তৌনা কৌয়ে।

ৱারম অমসুং নমু মীওইপকী। চেংলৌ সকফমপু নমু লাইপাকফপা ওইনৈয়ে। চেংলৌ মসকথিপপু নিপা নুপী মাইতে। নমু লাইপক থিপীও: তৌনা কৌয়ে।

মপোক লাংওন চঙখোনপা চেংলৌ সকোঈ হেনপা মলন মথ্‌ম লোইপা পাইমা লিংচেন ফপাপু কোরৌ নোংখৌ

লৈপাকপ তৌনা কৌয়ে ।

নাম্নু মীওইথিগা চকৈ অয়িলতাম অনা লাইথ্নুং চাউ-পাপু থমনুং রালকপা কৌগনে ।

রালম মতৌ অমত্তি চিঙত্নু লাইলিক হৈগা । য়িলাহ লাইরোন হৈগা । লমপু তৃপু তাঈপা । লাথা সিংথা কোন থা য়াইথা থঙপা লাইলিক ময়েক হৈগপু । লৈতলপতি লৈপাক সিংথাক্তে ।

রালম মতৌ অমত্তি । পুকনিং থৌতু নুকুমলগা লানফম লানসোকনপতা থোইগা মাইলৈতপা । অথম মী-পোকপা । অথৌ লাংকোনপসিংপু । লৈতলপতি লৈপাক্ত মরা চেহতে য়োহপী হুইলেন ওঈ লৈপাক পনলু ওই নিংথৌ পামপোম ওই । লানফম থোঈমা মাঈলেতনা । থরাঈ পামমুতপা পামপা কৈসকপা কৈরেন তেংথাপা অতুশিংনা লৈপাক পনম্নু ওঈনাপনে । মপোক্ত লাংওন ফনা । নিংথৌ লাঈপক য়ুমচিননা পোকলৈয়ে ।

নিংথৌ লৈপাক 'মপুনা মীওঈ লিংচেল থঙকাহতনা অয়োন অলান থিতনা । পঙনা থরাঈ মাঙহনলপতি সাকৈ ভাইলিথীফতে অয়ে অপুন মাংওঈনপতি লৈপাক ময়েং তাঈয়ে । ফমপান চাহে কৌসিলনারাঈ ওওয়ে । সাকৈ ভাঈলি য়েংনা । পুকনিং রাচুমসুঙ লঙচা অয়োন য়েংনা লৈপাক সামু খুহতুমচননা অরা য়িসৌ লাংহনচাহে চিঙত্নু

লাই ওইনপা মহাকনে। ফমপানচাহৈ কুইনা ফানফংচলৌয়ে

নমু পোং ওইপাসিংও ঃ কোলোয় অহেংপা উনপী পুকং তপপপু খোয়মোম লাইলম থাপনে। পুকিং হালক ওমতা খামপী মৈলিক চোংকুমনা। য়াথং পাউথিথোকপা। ভাইলোং মিংকুমথাপা। তাউচিং হৈকুম সিনপা। অপু ওমচন থেমপী মায়েনখঙ। সংলৌ সালিয়েমকু য়েন-থোকলপা। নামুং অমৌ খঙতনা। খুৎকাই সাকাই-পা। য়াথং লুলাকননা। পুকনিঙ লিংচেল মাহৌসাপু ওইনপা তাইপঙ মীওই ফৎতাপা।। সাকৈচাৎ অতোলপাতা পোকলৈয়ে।

অহল ব্রারি তাতনা। থোইমোম লাইলোল অলুপতা। খোইমা নমমুকনপা। নাপাহেলতানাপা। অতুসিংণী য়াওলী সালিংচেল। হিংচাপা সাকৈ অমাংপতা পোকলৈয়ে।

নামু মীওইপাসিংও ঃ লাইলিক মহেক মীলাইপা। লাইপা য়াথং মীরাইচনপা। মীপোক অতুসিংনা লঙচা মাতি চাওয়ে। য়াওলীপারেমশাঙা। নাপী সিঙপী উ-ব্রা ওইখিয়ে। লাইথুং মতিক নাইতে। ওচা কুলু নাইতলপতি। নামু সিঙথানতে। চাহৈকুমসিঙকৌ। মীসি তব্রা নংনা লাইথুং অব্রানংনা থোইমোম লাইলুপলেনতা। য়াওলুতে। মপোক মীওইথিনা। পোকলপনে। হায়তলপরানে।

লাইতা মমাই ওনসিনলপা য়াথং অথুমপা চিঙঙ্

হায় সোননা। নোংমললাপাতী। মমু মীওই অফপা ওইনা পোকলেয়। তাইপং মীৎনা উলিপা অসিপু (১) লৈতে।

ভাকী নিংথৌ মচিপাক্তা রালম থাংলৈনাইনা তানলপাতা: মতাঙ্গলেম ১লক রাহমচখিয়ে। লহঃ খোইয়ুম কোরৌ মীনিংথৌও: হয়েং লাংপা চক্তা (কলি চুকতা) করম চৎলকপনো। রালম ঙমখৈনাইনা। নাতা-চানিংঙে হায়না রাকৎচখিয়ে।

চিঙঙ্গ নামুংপনা হোইতা ভয়ুমতঃ হয়েং লাংপা চক (কলি চুক) মাওইথিলাপতা চৎক্কতপতি। লমচৎ মলম থওলরোইয়ে। মকোক মাইওননা চৎলকতপনে। ফৎক্তাপামমীনা মাপুম ওইনা চৎলাকতাপনে। অফপা মীতৌয় মলোইয়ে। খোইয়ুম লাইলমলেংতপু নংথা হলনা। পাইমা আপুকয়াওতানা। লৈথুপরু মহায়। লাপল ময়াই কানা লৌনিং চানিং মাখে লৈতনা। নামুং অমৌ থওতা মপা মচা নাইতা। সাকৈ পুক থওতানা। মঙাই মসেন নাইতানা। মপা মচা য়ুমখাইনলৈঙে। সাকৈ পীপা য়ুমখাইনলৈঙে লৌনি চানিংপা পু মাপুক থততানা। হালম অচুমপাপু নমক্তাহল। নপাসেক্তানন থরাই পামু থওতা চিঙঙ্গ লাইকী লোনতা সামু নাকোঙ ফুল। লৌসিং পুকনিং কাওলাঙৈনে। য়াথাং লৈখা তানা সাকৈ মহিক লৈপাসিংনা নামু মীথাপোলহলঙৈনে। অরা মীসৌলাংনা পাললাঙৈনে। হায়না নামুমী মাতো অতোলপা। সাকৈ

মলম খুঙতাপাসিংনা। সকথী সাখীপা। সাকৈ মাল্লপ লেতপা। পাংচা সলাং খুঙতপনা নমু মীকোক তোঙপাল-লাঙৈনে।

মাতিক সাকৈ অঙ্কাপপু। য়াথং লুকলাকমনা। য়াঙ্কে-লাঙৈনে। য়াথং য়াচুম সানা য়াঙ্কেললাঙৈনে। নাকোং খ্রোনচেন মী য়াথং অপেপাতা। লৌশিং অসিংসানা। অহিং নোংথিল নাইতপা য়ালিপু লিঙ্খৎপনা। অঙাং অপিসানা অহল মখৎকাপু নমচা নমথেকনা। হনচেক ভাচেকসানা। অনা লাংথুং য়াম। পুল্লসি চেংচেল কৌ। থকসি খাসি মাইতানা। মুমাং য়ামা হাই। মুতুং য়ামা হোংনা। তৈচা চৈওইননা। মালেম নিংগংক ভাকলঙৈনে।

কোনচেক বলি তাপওপনা মচিক খুঙৈথ চাও। অমম মীৎপুঙকপতা পৃথনিং য়াচুম শুনা। খোইম্নম লাইপু নিংপতি পওনা নিরোইয়ে। কোনচেক অমমপতা উনপী পুকনিং লেপ্পত্তি। নিসা (নোপ) খোইখোইপানে। হাকতক ও মাতাতু। পওনা লানপীলালোইয়ে। তাইপং পানপা। পুম্নমক্কী। লানলিপা লাপন সিতাপানে। ভাকী নিংথৌং:

হিংচাবা সাকৈনা অমাংপনা নিংথৌ ওইঙৈনে। সাকৈ অফপশি না। মালেম লৈথা তালাঙৈনে।

মীকী মতু লাননপপু পুকনিং য়াথিনাইতা। হিপনিং

চানীও নাথৈলৈত'না। চ:নিও থকনীও মতোন লোমহন-তানা য়াহিপ চকচা সুতনা। পালনাডৈনে।

ফীগেৎ চাকচা মারাং কাইতানা। তায়ম মীমাই কুম মাতুমাচা নমতা হুনন। মীকী মাতু তোঙানপাপ অপাম পুকনিঙ চঙনা। লৌনিং চানিং অপেন লৈতান তাঙচা খুফম য়ামনা। পালনাডৈনে।

চাহৈ থকহৈতপাপু। সেৎলম তৌলমসানা। নাং নমতা হুননা; পারম পুরমলেলপু। থৌলম ব্রাকাওনাডৈনে থৌলম নৎতাপা। চাহৈ তৌহৈপা। খৈপিকপু। ফিসেৎ চাকচা হোংনা থকসি থাসি নাইতনা পালনাডৈনে। অঙা নব্রা অপীসানা। নামু মিরুতোংনা। থৌথানাডৈনে।

থৌলম অলুমপা। পুঙমথাংঙমতাপা খৈপিকপু পুকনিং অপামচঙ। নাপল ময়াইকা। পাইমা পীপুব নুংতাতী। ঐতুম ঐনে। হায়না পালনাডৈনে। মালেপ খুতু (৩) লেপলাকাতানে। খামেল পুকাওরোং লামন হেকলাকাতানে। কোলনচক (কলি) মীওইপাসিংনাতী লাঙৈহ কুমসিং ১৫ মাতা। য়ালেব মাথৌকুম, সিঙ ৩০ তা সমলাংঙৌনা। পাল। কোঙয়াও চৈসু পালোইনন পালনাডৈনে।

পুলসি চেংচেন্নকৌনা পাসলকাতানে। লাঙৈহ চাহৈ ৩০ মাতা ব্রাইব্রোঙ লাডৈনে।

খোইযুম পৌতা

(মপুথিপা পে'কপা)

নমু তাৎপং "ওইপকী খোলম থৌওং চৈসিং চৈথানবা নিংথৌ মচিংতা খোইযুম পাংথুমাথাইপু পিনা। য়য়ুম মপাও'খানবীপু। য়ালম থাংভে নাইনা য়হমলপানে।

তায়ুম নঙতী হা'য়ং লাংপাচক হাকতক মাইমাপাতা। থৌ মপুাং ওইনা পোকঙমও। মুরাপামলি লৈপাককৌনা ইনৌ সন' থু-থু ৭ থোনবৎপা। লৈপাবতা পোকঙমও। খাম ২ সু-১ কুইঙামও। নমোম হালনা সাৎলপতী। ঙও এনা লৌবাঙেনে। কোলনা সাৎপাঙী। নিংথৌ কি নাহা সাফাপানা লৌরাঙে'ন। হা'য়না পাঙতোক-কতা। মতাইলেম ঙাকী নিংথৌ মচিপানা। মাৎপী ঙপনা মাললেম থৌলৈ লৈকাপবনা খুরুমচাখিয়ে।

হে: খোয়ুম নামুংপওঃ নতাইলেন এপু খোয়ুম নথৌ-ন, চিঙওঙ ললকপু কুপীলপাতী। মপোক মীওই থুদিংতা-খোইযুম পনা নখোং থাতা খুৎফাংচাংচৌ ১০ মানা। কা লে'ম্না থৌখনচকে। হায়না হাবৎচেলতা।

চিঙওঙ সিতপনা য়াহমখিয়ে। হোয়তা ঙাকী নিংথৌ-খোইযুম কোলোই ইয়াথং মীলোন লাইলোন নুংঙাইপা অথোইপা অসিপু নামু মীওইপাসিংওঃ উনপী পুক্নিং না নাতাচলপতি। মপোক লাংওন খুতিংসু মহে-নে। অৱা-পোৎলুম কোকলপনে।

উনপী পুকনিঙনা নাতাত'লপঙী। নামু মীওইপাসিংঙী পাৎলুমনাপানে। উলপী পুকনিং পীনা নাতাচৌওঃ।

× × × × চৎলম অসি খঙনঃ তাবপাতী। থমন্‌ ব্রাক্কনুংতে। হায়না ব্রাহমলপতা।

মাতাইলেমনা মালেম ফুপাক লৈতাতুনা। খুরুমচ লাপাতা। চিঙঙ্ব সিতাপাক্তী। কোক্লৌ নোংলাংপা অব্রাংপা কাখিয়ে হাইতাপরা।

"মমোম ফুইপা"

হে লিকলাইঙঃ হাকতক কুমসিঙ মাতোল লোমখি লাপাকা। চিঙঙ্ব কোলোইঃ য়াথং। লাংপাচাক হাকতা মাতোল লোমখিলাপাকা। ভাকী নিংথৌ লাইপনা নিংথে মপুথিপা কৌনা পোকলাপাকা মোমন্‌ তানলোই মালেমগী লৈমা কাঙলৌতোঙ সাফাপীকা। ভানলোই থাইবনা পালমলনালোপাকা। মমোম সৌপোম য়াইলেল চান ফুইরকলে। মমোম সানৌ ভাইথিঙহোন অতোনপি শাৎলপতা মমেম ২ মানা লৈচেং মকাৎক সাংগ লেপতমলপতা। মপন নিংথৌ মাপুথিপনা ব্রাহমখিয়ে।

হেঃ য়িমোম পেম্মা ওঃ সানৌ মচিন মনাওপু মপ ঐকী খানলৌনামুং অচৎপা অব্রাং চেংলে উন্নুংতাতা খানলৈ লৌতাক্কঙ। হায়না পাওমেলখিয়ে।

কোক্লৌ নুমিৎ মাক্তা। সানৌ মচিন মনাওনা

হৈক্লৈ ক্লিমি চীঙ। থুনচান জালক্লমথেল। সৌগোম য়াইকে চনুংপু তমলোন নাহৈনবা। থানৈ। জৌলেরপা লোইতাম কুমতম লৌক্তা লোইমোম ক্ষোলম ৭ না ফাফৌ হুমলম। চেংলৈ উনুংতেতা। নামু মীপুল ৫ থানলৈ য়োংসুও (১) কোনথা য়াইথা লৌপু অসৈ লৌতা য়োইলেল লৌতা। সানৌ মাচন মনাওনা। থোইয়ুম লাইসোমননা। ফৌহুমজা। সৌগম য়াইলেলচানু। সানৌ-মচিন মনাওনা মাপম কোনলোই মায়াথংকী। থানলৈ লৌতাখিয়ে। লংমাইচাইচী লৌকুমখিয়ে।

জাংলে বেংওয়াং ব্রাদ্রুকন। থৌলৈ মীকপাকপা। চেঙনৌ স্নাফালপাপু কোংয়াও থওতপপাইনা। কোরৌ নোংপু লাপ্পনা। য়োংলৈ থাওকুপ পোয়োম মাতেলম। কে-থেং মালুত্নপ য়াংকৌ মাহৈসম। ব্রাহ্নি কোকতাইতুম। য়ুপা থুগলতাল। হালুলোংনা ফৌ। হাকুম তেংপাক অকংপানা থাক্সা-থা। কুমশি তেংপাক অনৌপান থবকাথোংনা য়ীসে থোলমালননা। য়োইমায়াই তাওকলপাপু। তেংথাননা। থা-নলৈ লৌয়ানলকয়ে। তাওতকনা থাকি নাঙ্গা সাফ পানা য়োই-থোমথোনথোক্কী। থোমতোকনা। য়োইমায়াই তাওতল-পাতী। তমং তমং কালকলে। থাপী ব্রাংনা কারকলে হায়না তেংথানক্লিওঙো। য়োইমায়াই লাইলেন তাওতলপানা কোরৌ নোংব্রাং পালতাকি। চীনপাল মোল মোল নোকনা

হাইমলকয়ে। হেমোয়নু পেমমাও:। নাপীঙভাপু নপলঃ করমপানা সাৎপানো। পলমেম বরমপানা পোব পানা। কোনলোই নামিং থোনসুঙ করি কৌপাকে। হায়না পাওহংপাপু।

সানৌ মাচীন মনাওনা। তাঙচা য়ীবাইপাকি। পালমেম খোঙপী লৈখেয়েংনা চীনপাল মোল মোল লোবনা। হোইতা। হোইতা য়োইমায়াই লাইরেল তাওতলপাওঃ পলথৌ নিংথৌ মাপুখিপানা সাৎয়ে। পলমেময়ীমা য়াইপী-লৈমানা পোকয়ে। কাঙলৌতোল সাক্ষাপীনা ফুইপপানে। মোমনু কোনলোই য়ীমিং থোনতী। সৌপোল য়াইরেল চানু কৌয়ে। সানৌ লৈরাং অতোলপীতী। সনাখোনোংলৈমা তোনা কৌয়ে। হায়না পাওখুমচালে হায়তপরা।

য়োইমায়ঃইসুঙ মাতোম নিঙনা তেনা হলয়াইখিয়ে। সানৌ মচিন মনাওসুঙ মাপল মরালয়াইতা। কালবলে মাপল সনা মখোঙখাতা পাওহংচাখিয়ে য়ীপল কোনলোই নায়াথংপু। নমোম য়ীপিঙভানা। খানলৈ লৌতোরুপাতা; য়োইমায়াইনা। চীনকোই পাওহংঙময়ে। হায়না রাহম-লপতা মাপল নিংথৌ মাপুথিপানা। পাইমা উলকোইনুংতা। মীওখনখিয়ে। লাহাল থোইয়ুম সিতাপাকী কোনলোই ময়াথংপু ওইলঙনে। হায়না পাইমা পুকনুংতা হরাওখিয়ে।

সনা খোংনাং নৈসা পীখিবা

মামো অনি থানলৈ লৌ-তাবা

হে' ইযোম পেম্মা' ও নাপিওপু হুয়েং কোরৌ নুমিত্তা থানলৈ লৌতারুও হায়না ব্রাহমলপাত্তা সানৌ মাচিন মনাওনা। মাপল কোনলোই ময়াথংপু তাওচা কোকতা থোংনা থানলৈ লৌতাখিয়ে। লংমাহ লোক্রুমথিয়ে। য়োইমায়াই তাওতলপা পাপী। কোইরেল অপানপাত্তী। থাপী ব্রাংনা কাকে হাই-থকলে। হাইনা সৈকনারিঙেতা। য়োইমায়াই লাইরেল তাওতনপা চাওলচুনপা সাংচল মীওথীপানা ব্রাহমলকয়ে।

"হে যোমনু পেমা ওঃ
ঙালাং নোংলোন নোংচাকিমথো'
থানলৈ লৌ তাপাপু;
য়োহলৈ তেংপা মাপুমপু;
কয়াম সুন্নাপানো ?

হায়না ব্রাহমলপতা সানৌ মচিন মনাওনা তাওচা কাইনা হুইয়াই সেলকোইপাকী। য়োইমায়াইসু মাতোম-নীকাই থোকনা। হুলছাইখিয়ে। মযোম অনিচ সুও য়োংলৈ থোংনমা। মাপল মলালয়াইতা কারকলে। হায়তপরা য়োম অনিমনা মাপল মাঙ্খোওথাত্তা পাওহংচাথিয়ে।

হে য়ীপল নিংথৌ পোকমাপাওঃ ওসি কোরৌ নোং

নমোম য়ীপীঙানা থ নমৈ চৌতাপাতা থাকী নহা সাকপা য়োইম্মায়াই লাইরেল তাওতরুপানা তেংপাক হাল্ মাপুম কয়া কংলাপানো। হায়না পাওহংপপু। নমোম য়ীপীঙানা। তেংপা মসিঙ খঙঙমভাপাবী পাওখুমথিতে হাইনা। পাও-তমলপতা। মপল নিংথৌ মপুথিপনা। হাহমখিম্নে।

হেঃ ক্ষীমোম য়ীপেম্নাঙঃ। হায়েং কোক্লৌ নুমিৎতা নাপল এসুং থানলৈ লৌতাক। হায়না হাহমলপাতা। প্যাইমা উনকোইনুংতা নীঙথনখিয়।

লহাললোং চীঙঙ্, কোনলোই ময়াথংপু ঙইরাঙনে। হায়মা নিংথনখিয়ে।

য়ীনুং কৌপা সোইরাপাতা মামোম অনিমাপু সমু-মাওতা থানা। লমলেন চেংলৈ উনুংতাতা। থানলৈ লৌতা-খিয়ে। মাপল নিংথৌ মপুহিপতী। লৌক্লি সেলহোইনুং লংমাই লৌখননুংতা য়ীলুম সোঙতোলও ঙাঙা থাবকা-থোংনা সালথুপলিঙৈতা মোমনু সানৌ মচিন মনাওনা। য়োংলৈ খুৎতা সুনা লৌতালে।

য়োইমায়াই তাওতলপা থাকী নহা শহপাক্তি নোংপোক লম্মাইতা থাকী মচৎলমতা তুনুং নোংপোকলেনপু ঙালতুম ঙালনা হিলি ফালসাংওইনা খিঙ খিঙ থকালকলপতা কোক্লৌ নোংলাংপাঙতাকী কোনলোই পাওমেহ্চবম্নে।

হে মোমনু পেমমাও নাপীঙঙাপু ঙরাং কোক্লৌ নুমিৎতা য়োইমায়াই এনা কোনলোই পাওহংপপু কোনলোই

মহ্লাঋং পাওখুম নীঙালাপকী। তাঙচা মীকাইয়ে ছুইয়্যাই সেনকোইয়ে। কাঁ'চীপানো। হায়না পাওফমলথলকলাপাতা মোমনু অনিমাতী। মাপললু তাঙচা মীকাইপাকি কোন-লোই পাওখুম ঙমজালিঙেভা। মাপল নিংখৌ মপুথিপানা পাওতাকখিয়ে।

হে: মীমোম নাপীঙভাসুঙ। পাওখুমও হায়না পাওতাকলাপতা নমোম আনমনা।

"হাইতা য়োইময়াই তাওতনপাওঃ
লানকোই সামতোন ঙয়াংপা
লানকোই থকতা খোংওইনরকতম
লানকোই খোককুন কয়ানো।
হাননা পাওখৈ সেংপীয়ো
মোমনু লৌশিং থেনপীতি
কোন পাওখৈ সেংচকে ..."

হায়না পাওখুমলপতা য়োইমায়াই লাইলেন তাওতন-পনা নিংখনখিয়ে। মোমনু অনিমসিবু পাইমা লৌশিং থোইয়ে। উনদী মচাক হোময়ে। হায়না কোরৌ নোংম-তোন থক্তকিপু লাংকোই খুলুপ মানপল হৌনা সাচে খোমমোনায়। মালং চৈলোইননা হালেম লৈজা তাহকপপু। থাৱৈ পুঙথক মীরুম সোকতোকনুংতা নিংথৌ মাপুথিনা সালথুপপাপু। চেংলৌ মিৎথীতা মিৎয়েং সানখৈতাপাকি। লাংকোই খোঙনা লেৎনা নোংমললে।

লাংকোই খুয়ানুংকী; নিংথৌ মপুহিংগাশী। তুরেল ৱাইখুপীচা। লৈকু তাংথাসল লৈলাই তেথাকাও। চেকপ অনি সুপা। খুৎলাই অনি লোইপা। চৈনুং পায়োৎ পুয়োৎ সুপা। মোংপা লৈকু য়াহিপপা। লৈলাই তাংথাপা। য়াওলো সালা সামালক। লেমলৈ ঙালা ঙামলক। য়াওলো আমাই সা। পাখং থাঙকোক মাতাসাংপানা তালপাপু তালফংঙমতাপা সাপু। সাইওনখিয়ে।

নমোম অনিমনা থাৱাই মিপাইনা চিবপনখিয়ে।

খ্রিপল করি মতৌনো ?
নমোম য়ীপীতা অনিপু
য়ীপল নওপু য়াওতনা
কননা নাওয়োক তমপীনী
সানৌ য়ীচিন মীনাওসু
য়ীপল হৈনা নতংয়ীলনা
সৱাং লাইচং মৈৱাইনা
নমোম য়ীখোয়সু নোংমললকে।

হায়না সায়ু খুৎসমননা। ঙকথি নুমলাং কোননা নুংশি মাথৈ লৈতানা লাইচা মীৱেল পুঙতা য়ীমু খৌয়েকননা মোংমললাকে। হায়না তৌকুমলপাতা। নিংথৌ থাকী নাহা সাকপানা পাওমেলখিয়ে।

"হে যোমনু পেমও :
যোমনু নপীওঙা অনিমপু
চেংলৌ মীকুপ লমঙাইখ্রমপীওঃ
নপল অমল খমলে কুমপপু
তাইপঙ অমলক য়োংওইহলকে .

হায়না খোইয়ুম লাইমীং সোলনা তাইপং অমলক য়োইহাললকলে। হায়তপরা। হেক্নিক লাইও :॥

নিংথৌ মপুখিপনা অমুনক ফম ফমলাপতা। নিংথৌ খাকীনহা সাফপানা। ব্রাহ্মচথিয়ে। য়ীমাল নিংথৌ মপুখি ওঃ মাকলৌলেম ঐনা চেংলৌ মিথীংতা। মিৎয়েং সানাখিতপাকী। য়ীমাল পুলাংপু লংকোই খোঙনা নেৎনা অব্রা লৈখয়তাপাপু। লঙচা অয়োনগপু কৈকাপিয়ো ইমান পাইশা উনকোইনুংতা ব্রারৌপীকনো। হায়না খুরমচলপতা নিংথৌ মপুখিপনা পাওখুমখিয়ে।

মাকলৌলেন য়োইময়াই লাইলেন তানতনপওঃ খোইয়ুম নখোইনা নোংতমলকপকিনে। কন্নিকি ব্রারৌলুকপনো হায়না পাওখুমলপতা। য়োইময়াই লাইলেন তাউতনপনা ব্রাহ্মখিয়ে।

ইমান ইপুঙো ওঃ নমাথং অমাকতমপীয়ো হায়তনা নুংওন ব্রা লৌপিকনো ; অব্রাং কোরৌ নোংলাংপানতা মুসালিপা ঐপু তাইবংকোরৌ নোংসালিপা ঐপু। চেংলৌ মকুপ মালমতাপু। মীতোম থৌনায়ে। চিওঙ্‌ইহংশিন

থোইমোম ইবেংশিনপগু [illegible] তা লৈতে। অরা পোংথাফম নুংশি হিংথা ফ[illegible] পু [illegible] লৈতে। না[illegible]মাম সানম ঙা[illegible]ঙতোলপু। কাউসানা[illegible]পীও: [illegible]কো[illegible]বী নোংলাং-পালতা পানমলনারক্কে। [illegible] মীকুপ মারমতাপু। মাল-লেম তমপাক লৈতভানা। য়ীথাসনা লাল[illegible]তা। অনলোই ভুমীল ঙমলোইয়ে। য়ীম[illegible]ল নঙনা থো[illegible]লপীওঃ হায়না পুনেমঙশিায়।

মমাল নিংথৌনা গা[illegible]ও[illegible] [illegible]তা [illegible] নামুংপা ওঃ। পুক[illegible] [illegible]তা। [illegible]

[illegible]

মালুংনিংশনা। [illegible]

নালঙয়ে। হ[illegible] বকী[illegible] কোনৌ [illegible] [illegible] নৌনা কৌয়ে।

য়োইমাগাই [illegible] ও ওপনা। [illegible] লৈমপু। লাংকো[illegible] [illegible] লাংপঙতা কা[illegible] [illegible] তসপা নুমিৎ লৈমা [illegible]। [illegible]

মমাল নিংথৌ মলুংনিশমুং [illegible] চনুপু সমু মাঙতা থানা কলাল শাঁওলৌ নিওমনা হুলরাই-লকলে। সওকাই মাংকোল লাংতা রাইথুলপতা। মাগানৌ

য়াইশীংলমা কাওনৌতোল সাক্কপীনা। পাওহুংওমমে ইমোম অতোনপীগী কতাইনো। হায়না পাওহুংপপু মসাপী নিংথৌ মপুথিপনা পাওখুমওমরে। য়ীমোম নৈরাং অতোনপীতী য়ো ইমায়াই লাইরেল জাওতনপতা। বাওচানাথিলে হায়না পাওখুমলপতা।

মসানৌগা নুংশি নাখৈ লৈতনা হেকওাই মপাও চাওনা মিকপথিরে। অমোম সৌপোল য়াইলেলপু ওকাথি লুমলাং কোয়া খতাই লেংওন চুপনা ইমোম-ও: নাসানৌতী করমনা কোমৌ পোংলাংপালতা নিংথৌ খাকী নাহাসকাপতা। মউ নিংথৌ অতোলপাকা। কৌরৌ পোংলাংপানতা য়াংকোইপপু। য়ীপলনা চেংনৌ সকউনলকাইরে। হাইনা মিকপথিরে।

হে য়ীমোম অতোনপীও: য়ীপলনা নিমোম নাপীওাপু কোমৌ মোংচা খু তওপু। কৌপা চীনতোইলাংকুম। তোইনা পানেকনলকয়ে। চেংনৌ সকউনলকোইরে। কা হায়না সোলমোইখিরে। চিওওু সিতাপা। অতুসুও মাতোমতে হে। সিকলাইও:।

সোপোম ষাইলৈসা কণ্ডিরা

নিংথৌ মপুথি লৌশিংপমা ব্রাহ্মখিয়ে। হে শানৌ ষ্যাইপী লৈমও নুংশি মথৈ লৈতা হেকনা পাওচাওনা মীকপ নকুনো। অলাং কোরৌ নোংচামতা খোমলেন মণ্ডলান-চানতা। পাওমেলমপপু লৈয়ে। ইমোম লাংলেন উহনসিপু নিংথৌ ইমালনপা তাইপও নামুংপাপোংচাতা কাওচ নালোইয়ে। চীওঙ্ নোংপোক নামুংপা। খোইয়ুম সিতা-পাতা কোওচানাকে হাইনা। নুঙলেল পলচাওকোই। চেকপল য়ীমওইননা। কংলৈয়াথোক হলক্তানা নাওয়োকখিয়ে।

লোইতাম লমতা থা। থাচা অরুপতা নুমিৎ চৈচেনতা থাপা লালনংতাপাতা চীওঙ্ নোংপোক সিতাপানা। সমলাং চোতাপু। য়ুপী খুচাই খুৎপাইনা। চৈসু পাল-লোইনা। চলতোল পাকতৈননা। পামেল উখোঙথা। খোইমা নালোলনুংত ব্রাইথুংলালে। নিংথৌ মতাইলেম ফৈতালাইকা থোঙখৈলেলকী। লিচে ক্তোলান শুপতা ব্রাহ্ংখিয়ে।

নিংথৌ নখোইকি কোরৌ নোংথৌতা হাইলুওঃ পৈলাক লমপোইপা। অমানা নিংথৌ চেংলৌ সকউনিংয়ে। হাই-নারকয়ে। হাইনা পুলুমলুওঃ। হায়লপাতা।

নিংথৌ মাতাইলেমসিংনা খুত্তোই য়াঙনা নিংথৌ কোয়ৌ য়ীনোংথৌ। ঐপু লোইবা য়ীপুঙঙো। নিংথৌ সনা থাতা খোইয়ুম লাঈপু নীঙপ অমানা চেংলৌ সকউনিঙয়ে। হাঈনা লাকেয়ে। হায়না খুরুমলাপাতা নিংথৌ মপুথিনা ব্রাহমথিয়ে।

য়ীতাঈলেম নঙনা। অচেন খমলৈরাঙনা। পাওহংলুওঃ। হেঃ য়ীপুঙঙো। বুরু, সিতাপা নঙপু লৈপাক করম-পাত'কী লাকপনো। কুরু ক্ষোনলোঈ নহিং চেনসুং করি কৌপনো। পাওহংলুওঃ থৌশিনলকয়ে। মতাঙেমনা মানপি খুতপননা পাওহংচথিয়ে।

হেঃ পৈলাকী লমপোইপা ইপুঙঙোওঃ। নিংথৌ ইপু-ঙোনা পাওহংচরকয়ে। লৈপাক করমপতকী লাকপনো। কোলোই নমিংথোনসু বরি কৌপনো পাওহংচলকয়ে। হায়নসু পুনেমচলমপতা। হোইতা নিংথৌ মতাইলেম থোংখৈ ফমপাও লমলোই য়ীলৈপাক্তি পাংঙন য়িনৈপাকনে। কুসু খুলজেল লৈনে। কোনলোই য়ীমিংথোনসুঙ মী-কুরুওঃ তৌনা কৌয়ে।

অসুম্না পাওতাকলপতা। মুক্কালি পম্পোং শংহনচপনা নিংথৌ মা মখোংতা ব্রাকচথিয়ে। নতাইলেম্না নিংথৌ মা নম্লাথংবু পাউহংলপপু। পাংঙল কুসু খুলজেল লৈতাকি লৈতালকয়ে কোলোই মামিং থোনতি। মিকুরু কৌয়ে। হায়না (মহা-মিকুরু কৌয়ে) হাইলকয়ে। হায়না পাওতম-লপাতা। নিংথৌ পুকনিঙ হরাও চঙনা। লৈপাক

মলচাওন থোকয়ে। কোনলোই মিংলেন লাংওন সৈওনয়ে। চিঙঙ্‌ নামুংপাওইলিকপরা খঙতে তায়ুমসিংও : । খোইয়ুম লাইপু নিঙপা লমপোই অথোইপাপু। পাওকৌ-লুও:। হায়না থৌসিঙ্খিয়ে। মতাইলেমসিংনা। কোললোঈ পাওকৌলুলাপতা। তিংথৌ লৈয়োনসঙ্গ ঙরা চেং মাচং মেক্লুক লৈকা খুনা। লমওকনলপতা নিংথৌ সামুথাং। থাংচপননা। মালেম লৈতাপকন খুরুমললপাতা।

হেং খোইয়ুম লাইপু নিংপাও কুরুনা লৈপাক পুমনমতা হুসনা। নতাইরেম ঐকী লৈপাকতা ব্রাহ্মণ করি লাকপানো। হায়না পাওহংচপপু। চিংঙ্‌ নোংপোক সিঙবা মপোক লাংওন হৈওনা পাওখুমখিয়ে।

হেং নিংথৌ মপুথিপা লৌসিংপাওঃ নিংথৌ নঙকি নলৈপাক অসিপু মুরাপলরি লৈপাক কৌএ। চোইনৌ মা খুৎতুপ ৭ থোনকৎপা লৈপাকনে। খোইয়ুম লাইকোল নুংঙাইপনে। হাইপকিপু। চৌলতালললকপানে। হায়না পাওখুমললপতা।

নিংথৌ থৌচান মাইয়োকননা। কোনলোই অমেংপানা পাওমেললাপাতা। লাংসঙসঙলাংচাকতা ব্রাইথুংহাললে। হাইতাপরা।

কোরৌ নুমিৎ ৫নি মুলালাকা। নিংথৌ কোনলোই অথুমপানা। মামোমপু পাওথেমখিয়ে। হেং ইমোম

লেময়াংগী সৌপোল য়াইরবা চনুঙ্‌ নপানৌ স্না থোংনাং লৈমাসুঙ। কোরৌ নোংলাংপানতা। নিংথৌ শাক্তি নাহা সাফাপাকা। মুহা নিংথৌ অতোনপাকা পালমমনাখিবে। নঙসুঙ থোইয়ুম লাইপু নিঙপা। অসিতা কাওচানকে। য়ীমোম পাইমা উলকোইনুংতা। পুক্লিং চিংনা লৈতনা। চিঙঙ্‌ নামুংপানা নামুপোংপু চাজিপানে। চিঙঙ্‌ লাংঙন য়ামপনে। নামুপোংনে হাইলাপাসুঙ। কোলনা থঙলকফানে হায়না নপন ঐকি। কোনলোই য়ীয়াথংপু হিকখোকপীকনো উলপী পুঙনিঙ লোঙতানা। সেপা থৌথল লাংচলুঙ হায়না য়াহমপাপু মামোমনা পাওখুমখিয়ে।

য়ীপলনিংথৌ অপোকপাডঃ নমোম এনা য়াকনফরো-ইয়ে। হাইনা য়াহমলাপাতা। কোলৌ নুমিৎতা। নিংথৌ মপুথিপ। লৌসিংপনা থোইয়ুম লাইপু নিংপাকী সনা মখোঙথাতা। মাললেম নৈতো পকনা। কোনলোই অমেংপা-না য়াকৎচখিয়ে।

চিঙঙ্‌ লাইপু নিঙপা কুরু লাইওইনাপা। নঙনা নতাইলেম ঐকি। ননাই ইমোম লাংলেন য়াপীহন সৌপোন য়াইলেনচনুপু। তানলোই ননাই ওইননা। থৌথন লাংথন-হনপীও হায়না য়াকৎপেপু। চিঙঙ্‌ নামুংপনা পাওখুমখিয়ে য়ীথোয়তী তানলোই নাকতা থানা। সামু হকচাং সোকনাহেতে তৌয়ীকুম নিংথৌনিঙনা। থৌচালপীলাপতী।

তানলোই শুংতা চালপী ওইনা থৌখলনকে হায়না পাওখুমমাপতা। নিংথৌ ম্যালপী খুতানা খুরুমলাপাতা। থরাইখেনচওথকতা কাখিলে। হায়তপরা।

লৈমা সৌপোন য়াইলেলনসুও। সওলেন মাকী অতেংপতকী। মহাক লৈলোম নোংলোল যেমনা চিওগু সলাবেল অহুমমানা লৈকু য়াহিপতম। লৈলাই থংপাকসা। খোইপুও চাকসওলিংলকৈতা। তাইপও পুমনমাকী। নিংথৌ ৪ মাপু। সেমহৌতৈতা। খোইয়ুম লাইবোল ওইনা। লিংমাতৈতা। চিওগু সরালেল অমনা চালৈ কোকথোন ২ না নিংথৌ অহালপা। নমু পোংপাচা অয়ামপাকী। নিংথৌ পোংহাল ওইনা মপোক সাইওন লাংওনখিয়ে। পোংনিংথৌ কৌনা। মতাইলেম নিংথৌ মাঙাইরোই ১ তী। সেলপী পোং নিংথৌ হায়না। নোংপোক মাইকৈলমতা। থৈনা লৈরময়ে। অতু নোংকীপু। থেপোক করাং মায়ুমফম খুমফমলেনওঃ তৌনা কৌয়ে।

সেলপী পোংনিংথৌ খুলফমলেলনে। লৈমা সামুপাললোইননা। য়াচওখিলাপাতা রাহমচখিয়ে। কোরৌ য়িনিংথৌওঃ। নাতাইলেম য়ীয়াথং য়ীলপীওঃ হাইচখি। সনা কৈখেনথক্কী কোরৌ মোপ মোলতুম থকতা। ফম ফমপীয়ো হায়না রাহমচপপু থোইয়ুম নামুং পানা রাহমখিয়ে।

হেঃ মোজনু চেংলৌ সকহেনপীওঃ চালৈনুংকী য়াকুনুং কোরৌ মোনতমথকতা য়াতাহেতে। খোইয়ুম লাইপু নিংপা

ীখোইকী। য়ীহৌসাত্তি কাওলেল সলথিকা। তুলেল চংলৈ লৈঙোইকা লাইচা য়ীশিংকা ও মানাতিল্লকা মালেম লগাইতেনা। চংপী লালাক অমা থাপাপু। চালৈ ফি ়ইনৈয়ে। হাইনা পাংমেললপতা। মসানৌনা মালেম লখোম হাপনা। সলথি কাংলেল নালনা। তৈলপাকা ংপী লাতোনথান। চালৈ ফিতা ওইনা ফম ফমলে। ালোম ভাইখাংভনমা মিৎয়েং নাওসুমখিয়ে। চিঙড়ু নিংথৌ াংপাসাকনপাংমানা। নাপীসিঙপী। উ-ব্রা ককচেং খোইয়া ীন কাও খৈয়া। ভীন কাও খৈপিকনা খোংপাপু য়াওব্রা খানচেল মাপাওমেল্লনা চিঙড়ু মালেম লৈখা থংপাসাকন াংমানা। খোমলেম তুমকনখিয়ে। হায়তাপল্লা।

"য়াওলৌ শাভানবা"

খোইয়ুম নোংপোক সিতাপানা। কোব্রৌ নুমিৎ মনি সুলাপাতা। মায়াল নিংথৌ মগুথিবা। ফমথৌমা াংলোই। নিংথৌ মাহিসিংপুমনামাকা। য়াওলৌ সাভালকে ায়লাপতা। খোইয়ুম নোংপোক সিতাপানা পাওমেললক- য়। মোমনু পেমমা নীঙথীপীওঃ। হায়েং কোব্রৌ মিৎতা। য়ীমাল নিংথৌনা। য়াওলৌ সাভালপাতা। সুং মিৎয়েং সানখৈরুকে। হাইনা খোইয়ুম মাতিক ৎকে। হায়না মীঙখনলথিয়ে।

চীঙঙু য়ীকৌ থঙহলকে হাইনা। সমলাং চোক্তা-নুংঙাকী। মোলিসা য়াইওইপা। সামুখোংপী কচলতাপকা চীঙঙু মাতিক থঙহলকে। হাইনা। সানৌ পেমমাঙঃ। তরা চাকহনপীও। লাইচা য়ীহলপীঙঃ হাইনা সামুখুঙসিল-ননা। পীখিয়ে মসানৌনা মীঙথঙখিয়ে চীঙঙু মাতীক থঙতাপাকী। মোলি সাখুয়ামাসুং চেলোইয়। কে ঙয়াঙ মাতাং অপীসা অসিসুঙ। লাইচা য়ামাসুচলোইয়ে হায়না নিঙথনখিয়ে তায়মসিংঙঃ। ব্রাহ্ম ভস্নুপার্তী। থঙখোকতে। হায়না পাওজেলপাতা। লৈসামু সাখুঙতোল-না। ৯০ খুপামমাপু হলচিলপাপু। মোলিসা মনিঙ কোইতে। অমালক ৯০ খুপাম চাঙনা হলচিলপাপু। খৌপুক মানিঙ থলপীতালাপাতা। লৈমাপুকনিঙ অকি চেঙনা। তায়মসিংঙঃ। মোলি সামাতৌ ঙনথোকায়। মাতাঙ্গীরেম মামুমীপুম ১০০ মা তংক। চারৈ থাংচেঙননা। চাক্কু তিল-লাংসৌনা। হালথাপু মোলিসাখাঙক থলপীতে। কোঙয়া ব্রাতাঙ নুংতা। লাইচা য়ীহালপাসুং লাইচা খাঙখে চলপীতে। কপলাকতাললা চোক। খুপোম সিং কাইহৌ ককচেং লুচাওপীচানা মালেম লৈহোলপকুম। হোলনা হালচিলপাপু কৌপা নোংকা সোইপানা হাললক্লে:

চিঙলেন নোংকা ঙালপতা। মোলিসা মাপুক থলপী-তালাপা তালৈ মপুকলুং অকিচঙনা খুলুমখিয়ে চিঙঙু কোরৌ য়ীনিংথৌও। ব্রাংপল য়ীবা সা-ঙঃ। নতায়লেন ঞ্রনা

তারা চাকহানপপু। চাকথলপীতলে। লাইচা য়ীহালপসুঙ। লাইচা ইথলপীতালে। লঙচা অয়োননপপু কোকপীয়ো। হায়না ৱাকৎচলপতা। চিঙঙ্ সিতপনা নমুমীপুঙইনা। সাইওনলকলে।

হে সানৌ লৈমা নিংথিপীওঃ লঙচা করি লৈতেয়ে। য়োইমায়াইনা। খং খিং কালকলপতি ইমাল নিংথৌকী স্না মমৈব্রাইনা য়ারৌ সাঙানপপু মিৎয়েং সানথেল্লুকে হায়না ৱাহমলপতা মশানৌনা ৱাহমচখিয়ে।

হেঃ কোরৌ য়ীনিংথৌওঃ ফমথৌ চোলনা তিলপানা ঙাইনোকনকানি। তয়ুম ঙাইলোইন্না মিৎয়েং সানথেল্লুওঃ হারনা পাওমেলপপু চিঙঙ্ নামুপনা সানৌ পেমমাওঃ লাংকোই সাকোন তোহৈতে তায়ম নাইসু লোইনাহৈতে। নসাপী য়ীতোম মচৎকনি হায়না কোঙয়াং চৈঙুপালোইমা। তুমপা খাঙব্রাই থাঙ। নমুমীয়ামলক্তা। য়ীনখিপপু ফমতৌ লেংতি নতিলনপনা ঙৈনোক নাঙময়ে। পাংহল লমপোই-পা নংতি কৈতৌকে লাকপনো। তোকপা কামপনোংওক, পাইপঙ, সায়ু লৈলাং, খুগীঙ খুপাই, য়োংমুসেল, শাতুপ, সাঙাই করমপা অমতা ফাচপা হৈলোইয়ে। তাংচা ইকাইতপলা হোলেন য়ীথোইনা লাংকোই খুলুপ মানপল হৌনা তিলমেল হুঙসোন লৈনপপু চেঙলৌ নমিৎঙককনি নংতি হোলেন লৈম মৱানে। হায়লপতি। নরাল য়ীমতা করিকুমপা অমতসু পাওতমলুকপনো। হায়না ঙাইনোক-নাঙময়ে। হায়তপরা।

খোইয়ুম নাম্মুংপনা মমুপোংপু ওইনা সাইগুনপনা মচিন মোমোন নোকনা পাওখুমখিয়ে। হোইতা পাখৌসিংগুং। নখোইতি। অথম মীপোকপা অথৌ লাংকোনপা মসেনন। য়াঙ্গৌ নখোইনা সানপপু। চৈপাক তোঙানপানাকী না উথোকতে। মিয়েং সানথৈনিংয়ে। হায়পাকী য়ীতালক পনে। তৌইকুমসুঙ। মীকী মতৌ থঙতপনা পঙনা নোক্লা- হৈত্তে। নমু মীওইপা ঐতি। তাওচা ইকাই খুমনেয়ে। নারোইনৈয়ে হায়না ব্রাহ্মলপতা। মব্রাপতি লৈপাবকী নিংথৌ মপুথিনা। চিলনা মুব্রা লৈপাকতী। করমনতি। লাওকোই খোঙ ওইননা লমলেম মতায়মতা অব্রাং সাচেপ লোলমনলাং থুমপী লৈয়ৌ চিঙ। লুরাং খোমতোন অতোনপা মতোম অহলপকা অনিমনা য়ালৌ সাঙান ব্রাই নয়ুরা- চীঙখোঙ পোইলৈতোম্না। ম্নোংপী মচেগুনা খৈমপপু ঙম- লোন নাতৈননা। ভাখুন হুইচা নিংথৌপা। য়ীতম সোই- সেমপনা মননা ব্রাই। নিংথৌ লাইকোক ফৌলায়াঙপচিঙ। তমপা মএলাই তাংলালনা ওনতেপা লম। য়ামলা য়ীতমথী য়ীতম চাকথোকলমপু। নিংথৌ মপুথিনা য়োলপতা।

চিঙঙ্ নোংপোক সিতাপা খোইয়ুম নাম্মুংপতি নামু পোংপাচানা উতাপা। মীংয়েং অতামপা পামেল উখোঙথাং তমম্না নুংঙাইপা মালং নুম্মিৎ লাংপাতা। মাতোম ফমক্কমলাপাকা। সমলাং চোতা নুংতাকী। তাইপাং খঙহলতানা সালথুপপী।

লৈমা পান্নাপোত্তীনীঙথীকা। খোইমোম লাইফিক লৈমা নিংথিপী সিংচা খোমপী হুমপুনাক্লেং সুপী ইতম চাওপী খোইমোম য়েকহৈপী নিংথিপীসুঙ খোয়ুম মখোই অহুম মতাইলেম মমাল পাঙকনপা অনিমকপু। পাউকৌজপতা। তয়ুম নপিঙাতি। য়াল্লৈ সাফম অসিভা লৈপা সাপু। সালেন মশিং মাংহনতনা সালেন মনা হেৎরুমকপু লেন-লকঙঃ হায়না থৌশিখিল্লে।

মাতাইরেম ২ মানা চীঙঙু থৌশিখালপু চেংলৌ মিৎকুপম রাহতাপু। মাদং চেলোইদনা। য়াওলৌ সায়াম চলনা সালেন মানা লেল্লক্লে। য়াওলৌ মমিঙ ৯০০ সুয়ে। হায়না ব্রাকৎচলাপতা। চিঙঙু নামুংপনা। মসানৌ ৩ মাসু। মাতাইলেম ২ মাসু। সমলাৎ চোতানুংতো সান-থুপহল্লাপাকা। নিংথৌ মপুথিনা। খোইমা লাংলেপলপাক খামপী মৈ পুথোকলে। চকমোম মথিনাইলে। খামপী মালাঙ হোৈলে। লৈরি লামতুম লামলে কোল্লৌ থোংতুম খোং ব্রাংপন লাওতমলাও নুমিৎ মামি খুম। উদপী পুকনিং ঙকনা পলথেংলাপাতা। লাংকোই খুরুপ মানপনহৌ। সাচৈ খোময়ৈ। তীমেল খাঙহপজাক। উফুল নোংলেহৌ চেংলৌ সকউনাতনা। হুমাং লোকচেননা। পাথৌ মমাল-নাপাপু। য়াওলৌ সাভুহাল্লকে হাইপাকী। ভলপা কাচকাহৌ থাব্রাই পামুতনা য়ালেল থোংথৈ চিবনা মমিৎ কোরি

হৌনা সায়েং পাঙকহিঙনা খোনচেন হাংনা লাউনা। খারিসাপাপু লৈফংনা য়াওলৌ স'তুপ সাওাঙ সায়ুমৈরাং তোকপ কামপা নুংওক পাইপং সচি সঙাই। য়ারৌ সাশিং পুম্মকপু মশিং লাকঙমতনা থাম্মপী মৈমাং চেল্লে। পানপা কৈনিংথৌ করাং সাব্রাই থৌনা পানপা মরাংহৌ। কৈরেল মাথিকনইনা। নামুচেঙো লৌকে হায়না থামপী মৈমাও চেনপাপু। সোংকিতা তলপা ম'লাইসাংনা। কেলেল থৌওই-তনা। লেংপাল লেংতল থৈনাপনা। সামু লেংলোইচোক কোলৌ নুমিৎ চুপনা তালপাপু। অব্রাহকনা। চোকলা-প্লকী। য়াওলৌ সালেল চিঙপুঙ পৈনপাকী। নিংথৌ মগুথিপানা মাতাইলেমসিংপু কোনলোই পাওমেল্লবয়ে।

তায়মশিংওঃ। অঙালপানা খোকমৈনেমহিল্লে। য়ীলাল য়ীখোইপু থীঙলৌ নীঙনা তেল্লাসে। য়াঙলৌ সাসিঙ কয়া সুনাপনো য়াওলৌ সাসিঙ থীলো। হায়না পাওমেলপাতা মাতাইলেমসিংনা সালেল মাসিংথাপাপু। য়াওলৌ সাশিং ১০০ সুয়ে। হায়না হাকৎচলাপতা। নিংথৌ পুকনিঙ হলাও থোইনা। মানলং নোংসিৎ লাংনা। ফমফমলাপাতা। ফম্রতৌ লেংনা তিলপা। নিংথৌ নাকলৌ সিনপনা। ফমফমলাপাতা। কোনলোই পাওমেলখিয়ে।

হে থোইয়ুম লাইপু নীঙপাওঃ। নীঙতী নিংথৌ মমাক লৈমা মাতে ওইয়ে হাইপাতি। তোকপা কারম ১ তাপু

ফাচাতাপতী। য়াওলৌ কারি পাওপু তমলুকপানো। হাইনা ঙৈনোকনখিয়ে।

চিঙঙু সানওন হৈপানা নিংথৌ মাইয়োকননা কমফম-লাপাকা। পাওথুমখিয়ে। হোইতা পাথৌসিংও। মীকী মাতিক খঙতানা। নাপল ময়াইকান! ব্রারম পঙনা হাই-নাহৈতে। তৌয়ীকুম পৈনাইকিলাকপা। য়াওলৌ সাতাম হৈতাপা ঐকা। সালেল সাফানাসে। হায়না ব্রাহমখিয়ে।

সালেল কাননা হেলনা ফাপানো। য়েংনাসে। য়াওলৌ ঐনা ফাপা সাতী ১০০ সুয়ে। সালেল মানা য়েৎলমকি। কক্পাথেপু। লমপোই য়ীখুঙননে। য়াওলৌ ঐনা ফাপা সানে হায়না মোলি থৈপুকনুংতাকিপু। মালেমলৈতা হৈতোকলে। সালে চীপুঙ পৈলে।

মমাল নিংথৌ ওইনা। নাপল ময়াই কাপাপুঙনামাক তাঙচা নালু লুকনা ব্রাহমখিয়ে। নামু পোংপুনে চিঙঙু লাইনে হাইনা মালেম ফুপাক লৈতাতুনা খুরুমচাখিয়ে। তাঙচা য়ীকাইমংলে হাইতাপরা।

চিঙুঙ্ লাংওন সকখঙনপা

ময়াল নিংথৌ মপুখিপনা পুকনিং হরাওচনা নিঙখিয়ে। চীঙুঙ্ নামুংপা চীঙুঙ্ সিতপকী লাংওননে হায়না থাজখিয়ে। নিংথৌ তরাপু চয়ুকলাম লাইচ য়ীখৌলাংলপকী। শমু খোংসানলসে হায়লপতা । চিঙুঙ্ সিতপনা মতিক ঙমখে অচাওপপু খঙহল্লকে হায়পাকিপু। ইন্নান নিংথৌওঃ। চেংলৌ মিকুপ মলমতপু। ভাইথোওঃ নমোম লৈমা তরা চাকহাল্লকপা লাইচা য়ীহাল্লকপা লৈয়ে। তরা চাকতংখিসে। হায়না মোলিসা য়াইওইপা। সাম্নু খোংপি লুকপা অপিসা অমাকা ওনিং তাংমানুংকি। সাম্নু খুৎনাও চলতাপাকা অনিমাপু নিংথৌ মাঙতা থমনা। কোনলোই পাওমেলপাপু। ময়াল নিংথৌনা চিঙুঙ্ মতিক খঙতাপাকি মাতাইজেমসিংপু তাঙচা য়ীকাইপাকি। নিংথৌ থোঙপী লৈখৈ য়েংনা ব্রাহমখিয়ে ।

মাকলৌলেল পৈলাকি লমপোইপাওঃ তরা নংকি চায়োম অসিতী। করিব্রানো। য়ম্বাইসিং তাংচা য়ীকাইয়ে। য়ালেন খোংচী তৈপাসুঙ ওমফাওলোইয়ে। হায়না ব্রাহমপা-পু য়ীমাল নিংথৌওঃ উলপী পুকনিং ব্রাপীকানো। লৈপাক পুমনামাসুং। লাংকোই সাকোন সাম্নু য়াঙনা। চাপাসু ওকলাঙনে। হায়না ব্রাহমলপাতা ।

মাতাইরেমসিংনা তরা চাকয়েলপাপু মোলাসাখাও থাস্নেং তাপীতে। নামুপোংপাচা পুমনামাসুও। লাংকোই দাকোন সামু য়্যাওনা চাপাসুও। চাওমত্তালাপাজ্জা। লৈপাক পুকনিঙ অকি চওলে। হাইতাপরা। হেং লিকলাইওং।

মামাল নিংথৌ মাপুথিপনা চিঙঙ্ সিতপনে [illegible]না খওল্পাতা। মাললেম লৈতাপকনা খুরুমখি[illegible] নতাইরেম য়ীখোইনা নমুপোংপা অপঙপানিকিনা। চিঙঙ্ নাতিক খওতাপাকি তৌপনে। লওচা থালৌপীকানো। নামুপোংপা-চাপু ওইনা নীওলুয়ে। হান্ননা পুনেমচালাপাতা। মতাইরেম লৈপাকপুম্মাসুও। মালপী খুতপননা থাহমচখিয়ে।

মে নিংথৌ য়াইফাপাওং হাকতক লাংওন অসিতা নমু য়ীখোইকি লাইপক ফাপাকি উপানে। লওচা অয়োন-পাপু কোকপীয়ো। হাইনা খুরুমচাখিয়ে। হাইতপরা।

নিংথৌ সামুখোওনা চৎনা চিঙঙ্ মিতাপাপু তোললাই থকতা ক্ষম ফমহলাপাতা স্না চোওলেল খালনা। য়্যাওলৌ সায়ামপু হালাও মথে লৈতনা। য়্যাওলৌ সাফমলেলতাকী থিংলৌ নিঙনা তেনা। নিংথৌ সনানা য়োইখোলনুংতা থাইথুংলরে হাইতপরা হেং লিকলাইও।

কোরৌ নুমিৎ মওানি সুলপত্তা খোইয়ুম লাইনিংথৌনা থাহমখিয়ে। য়ীমাল নিংথৌ মপুখিপ ওং চীঙঙ্ এপু তাইপও নোংসাপাল অসিত্তা পঙনা লৈফাতে খোইয়ুম য়ীওাইরোই। চীঙঙ্ য়ীহিসাং পুমনামানা থাওইখালকনি। নামোমকা কোরৌ নোংকাখলকে। চীঙঙ্ পলতালখালকে।

য়ীমাল মন্নালয়াইতা য়াংকোই ওঃ নোংতমক্তে। য়ীমাল য়াইপী লৈমা নাপীওঙা। লৈপাক সামুখুহতুম চঙ্গা। ঙাকমলনালকওঃ। চহি কুমসিঙ চা ৭০০ সুনা। পালমল-মালকও: হায়েং চহি কুমসিঙসুলাপাকা। চীঙগু সনা য়ী[illegible]থাতা য়ীতালকওঃ। হাইনা পাওমেলথিক্সে।

নিংথৌ মাপুখিপাওঃ নঙাকি নপোক লাংওন হায়লক্তে নঙত্তি ঙাকি নিংথৌ সরেংয়াংপনে। লৈপাক পুম্না খওসুনো চিঙগু নোংপোক সিতপতি। খোইয়ুম সিতপা চিঙও নামুংপাতি এতি লৈলেন নোংজোন অহুমমাকী। মপুংঙো-নে। ঙাকী নিংথৌ সরেং য়াংপনে নক্কার্কতি চিঙগু এক। য়ীহাকচাং য়ীঙারোই নুংচালপনে। নমু পোংনা খওকনি হায়না তাইপং খওতনপা হায়পকি লাংওনপনে। হায়না পায়মেললপতা লৈপাক মনিলমাই সমলাং ফাওননা মাললেম ফুপাক লৈতুতানা। মিখপনালৌয়ে। হাইতপরা।

লৈথোলে

—(০)—

শিন্দোকপা হৌখিবা :—

তাং ৪ । ২ । ১৯৮৫ ইং

ফাইরেলগী ১৪ মি পানবা

নিংথৌকাবা

"লাইরিক অসিগী হক্ক পুম্নমক শিন্দোকপা

অমসুং পুথোকপগী খুত্তা লৈগনি।"

ফোংদোকপা :—

তাং ২৪ । ৯ । ১৯৮৭ ইং

মেরাগী নোংমা পানবা

শগোলশেল

নম্বকম :—চীং-তম-প্রেস, উরিপোক নাওরেমথোং ইম্ফাল